নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টর-কোরিয়ন হোটলাইন অমুক হন্না হাংলগনি

সিওল, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ৱিন্টর ওলিম্পিক্স য়াওনবগী মতাংদা খন্ননবা সাউথ কোরিয়াগা হোটলাইন অমা অমুক হন্না হাংলগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ইং-চিকপা ফিভম লৈহন্নিংবগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা নোর্থ কোরিয়ানা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। চৈরকসিদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উনগীদগী হেন্না চাওবা মহাক্কী ন্যুক্লিয়র বটন অমা লৈ হায়না করেন্নুনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা নোর্থ কোরিয়ানা ককথৎখিবা হোটলাইন অদু জি এম টি ০৬৩০ তাবদা হিঙ্গৎহল্লগনি। মথং থাদা পাঙথোক্ক- দৌরিবা পিয়োংচাং গেমসকী মাঙওইননা নোর্থকী লীদরগী মায়কৈদগী পেনিন্সুলা অদুদা পীছ লীংমিন্ননিংবগী ইঙ্গিৎ পীখিবা মতুংদা সিওলনা অৱাংবা থাক্তা ৱারী শাননবা প্রপোজ তৌখিবদগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

মিসাইল চাংয়েংশিং অমসুং নোর্থকী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী মতিক-ময়ায় লৈবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হন্দক থা খরসিদা পিয়োংয়াংগী মালেমনা অথিংবা থম্বা খূৎলায় প্রোগ্রামগী মতাংদা টেন্সন হেনগৎলক্লকপা লৈরিঙৈ মরক্তা কিমনা অতাংবা খোঙথাং অমা লৌখৎলদুনা পীছ লীংমিন্ননিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থকী লীদরগী ইঙ্গিৎকী পাউখুম ওইনা কিমনা জানুৱারি ৯ দা ৱারী শাননবা ওফর তৌখি। নাকল অনীমক্কা ইন্টরেষ্ট লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্ননবা ৱারী শানগদৌরিবিদু কুমজা ২০১৫ গী মতুংদা অহানবনি। মখোয়গী এজেন্দাদা ওলিম্পিক্সতা মালেমদগী তোঙান তারবা লৈবাক অদুসু শরুক য়াহনবা য়াগনি হায়বা প্রপোজলসু খন্নগদৌরিবিনি।

তৌইগুম্বসুং কিমগী ন্যু য়র স্পীচতা মহাক্কী টেবলদা ন্যুক্লিয়র বটন অমা লৈ হায়রদুনা য়ু এসতা চেকশিনৱাসু খঙহনখি। ৱাফমদু তাবদা খোইরাং খোইশাওনরবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খুদক্তা ত্বিটরগী খুত্থাংদা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উননা মতম চুপ্পদা মহাক্কী দেস্কতা ন্যুক্লিয়র বটন লৈ হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী চাবা ফংদ্রবা ফিভম শোক্লবা রেজিমগী মীওই অমনা মঙোন্দা ঐগীসু ন্যুক্লিয়র বটন অমা লৈ, মদুসু মহাক্কীদুদগী য়াম্না হেন্না চাওবা অমসুং মতিক-ময়ায় লৈবা হেনবনি লোয়ননা বটন অদু মতম চুপ্পদা মথৌ তৌই হায়বসি খঙহনবীয়ু।

য়ু এনদা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা সিওলগী ৱারী শানবগী ওফরবু 'বেন্দ-এইদনি' হায়রদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ট্রম্পনা ট্বীট অদু ইখিবনি।

য়ু এসকী ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন হিথর নাওরেটনসু নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং উননা লৈবাক অনীগী মরক্তা হায়বদি য়ু এস অমসুং রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী মরক্তা শীংচেপ থানবা হোৎনরকপসু ওইরন্বা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং সিওলনা নোর্থ কোরিয়াগী পীছকী ইঙ্গিৎ শৌগৎলক-খিবদা কিমনা মদুবু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা পীছ লীংনবা হোৎনবগী খোঙথাংশিং খুমাঙ চাউশিনবা উখি।

প্রো-গভর্নমেন্ট রেলি চৎখ্রে, নিক্কি হেলিনা য়ু এনগী ইমর্জেন্সি মীফম পাঙথোক্নবা তকশিনখ্রে

টেহরান, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ইরানিয়ন রেজিমবু শৌগৎলদুনা ঙরাং প্রো-গভর্নমেন্ট কাউন্টর প্রোটেষ্টরশিংনা ইরানগী মফম কয়াদা ডেমোনষ্ট্রেসনশিং চৎখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী ষ্টেট মীদিয়ানা হায়রি। ইরানগী লীদরশিংনা মপানগী ইথিল য়াওবা প্রোটেষ্টশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবা ঈহৌ অদুবু ময়ায় চমহন্নবগীদমক্তা প্রো-গভর্নমেন্ট রেলিশিংদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা, য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা ইরানগী মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিং অদুগী মতাংদা ঙাঙথোক্নবা অপীল তৌখ্রে। লৈবাক অদুদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা য়ু এসনা য়ু এনগী ইমরজেন্সি মীফম কৌনবা শিনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ইরানগী মীয়াম্না নীংতম্বা পাম্বগী খোল্লাউ কয়া লাউরক্লে হায়না হেলিনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

'য়ুমশকৈশা অসি মীয়াম্না হন্দক্কী থৌদোকশিং অমসুং প্রোটেষ্টশিংবু য়ানিংদবা উৎপা নুমিৎনি' হায়না ইরানগী সেমি ওফিসল ফার্স ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ঙরাং অয়ুক ইরানিয়ন টেলিভিজন চেন্নেলশিংনা মফম কয়াদা প্রো-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা রেলি পাঙথোকপগী শক্তমশিং উৎখি। মখোয়না ইরানগী ফিরালশিং হাইখি, প্রোটেষ্টর কয়ানা লৈবাক অদুগী লৈঙাকপশিংগী ফোটোশিংগা লোয়ননা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা ফোঙদোকপা খূৎনা ইবা সাইন কয়া পায়খি।

ইরানদা কাউন্টর প্রোটেষ্টশিং অসি এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী মায়োক্তা উবা কম্মন রিয়েক্সন অমনি।

ঐখোয়না ডেমোনষ্ট্রেসন নৎত্রগা রাইঅট অমা থোক্লকপা মতমদা প্রো-গভর্নমেন্ট ইনষ্টিট্যুটশিংদগী অচৌবা রিয়েক্সনশিং লাকপা উই হায়না লোস এঞ্জেলিস টাইমসকী টেহরান করেসপোন্দেন্ট রামিন মোষ্টাগিননা সী এন এনদা ফোঙদোকখি।

'ইরানিয়ন গভর্নমেন্টকীসু মখোয়গী ওইবা খোঙলোয়শিং অমসুং সপোর্টরশিং লৈজৈ। মরম অদুনা মখোয়না গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা উৎনবা তাঞ্জা অমা লৌরকপদা ঙক্লিংঙাই লৈতে।' অয়ুক্কী রেলিশিংদু এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা তায়োন্নৈ। প্রোটেষ্টশিং অদু অয়ুক খরা থেংনা হৌরগা নুমিদাংগী মতমদা কনখৎলকপা উখি।

চয়োল অমরোম চুপ্না প্রোটেষ্টরশিং অমসুং গভর্নমেন্ট ট্রুপশিংগা খূৎ থোক্নবদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে। ওফিসল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, মীওই ৪৫০ হেন্না রেজিমনা ফাগৎখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা য়ামদ্রবদা সিটি ১০ দা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখি। মতম শাংলকখিবগা লোয়ননা কেপিটেলগী ষ্ট্রীটশিংদা প্রোটেষ্টরশিং অমসুং রাইঅট পুলিসকী মশিং হন্থরক্লে হায়না মোষ্টাগিমনা ফোঙদোকখি।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী ইরানগী লেংমান্নবা প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিগা ৱারী শানখি অমসুং মীওই কয়া শিখিবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইরানিয়ন লীদরসিপতা পুক্নিং ফাথনবা অপীল তৌখি। লূচিংবা অনীনা হৌজিক্কী ফিভম অদুনা মরম ওইদুনা ফ্রেঞ্চ ফোরন মিনিষ্টরগী টেহরান খোঙচৎ য়ৈথোকপগী ৱাফম য়ানখি।

ইন্দিয়ানা দোলর মিলিয়ন ৫০০ গী ডিফেন্স দীল কেন্সেল তৌখ্রে : ইজরেলি ফার্ম

জেরুসালেম, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) : স্পাইক এন্টি-টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইলশিং শানবগী দোলর মিলিয়ন ৫০০ গী ওইবা দীল অমা ইন্দিয়ানা কেন্সেল তৌখ্রে হায়না ইজরেলগী মরুওইবা খূৎলায়গী ফার্ম অমনা কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়হুগী ইন্দিয়া খোঙচৎকী মাঙওইনবা ৱারেপ অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

স্পাইককী দীল কেন্সেল তৌবগা মরী লৈননা রাফেলনা হৌজিক ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সতগী ওফিসল নোটিফিকেসন অমা ফংলে হায়না রাফেল এদভান্স ডিফেন্স সিষ্টেমস লিমিটেদকী স্পোক্সমেন ইশাই দেভিদনা জেরুসালেমদা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

মালেমগী লৈবাক ২৬ না শীজিন্নরিবা স্পাইকপু ইন্দিয়ানা মতম শাংনা অকনবা প্রোসেস অমা চথরকখিবা মতুং অমসুং ডিফেন্স প্রোক্যুরমেন্ট রেগ্যুলেসন অপূন্বা কমপ্লাই তৌরবা মতুংদা খনখি। রাফেলনা ডিমান্দ খূদিংমক কমপ্লাই তৌরবা মতুংদা অমসুং কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা দীল অদু কেন্সেল তৌখিবনি হায়বসি লুনা খঙগদবনি হায়না কম্পেনিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রাফেলনা ইন্দিয়াগী ৱারেপ অসিদা পেন্দবা পোকই অমসুং হৌজিকসু ইন্দিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সকা কোওপরেসন পীনবা অমসুং মরুওইবা মার্কেট অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগা মখা তানা থবক তৌমিন্নবদা থাজবা থমই। রাফেলনা চহী ২০ হেন্না ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা অমসুং ইনোভেটিভ সিষ্টেমশিং ফংহন্দুনা লাক্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ডিফেন্স দীল কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ অদু জানুৱারি ১৪ দগী হৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা নুমিৎ মরিনিগী ইন্দিয়া খোঙচৎ হৌগদবা নুমিৎ খরনি মাঙওইননা লৌখিবনি। খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়াগী ৱারেপ অদুগী মতাংদসু খন্নরকপা য়াই হায়রি। রফেলগী সী ঈ ওসু নেটনয়াহুগী খোঙচৎ অদুদা লোয়নরগনি।

ইজরেলি কম্পেনি অসিনা হন্দক্তা প্রোজেক্ট অদুবু ইগজেক্যুট তৌগদৌরিবা হাইদ্রবাদতা ফেসিলিটি কয়া হৌদোকখি। তৌইগুম্বসুং কম্পেনিগী ছোর্সশিংনদি মদু রাফেলনা ইন্দিয়ন পার্টনরশিংগা ইনগেজ তৌনবা অতে প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎনবগী মওংদা দিজাইন তৌবনি। ওরিজিনেল প্রপোজল অদুগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়ানা আর্মিগীদমক দোলর মিলিয়ন ৫০০ চঙনা এ টি জি এমশিং লৈনবা থৌরাং তৌখি।

ন্যু দিল্লিদা ওফিসলশিংনা মমাঙদাফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না 'মেক ইন ইন্দিয়া' ইনিসিয়েটিভকী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না টেক্লোলোজি মপূং ফানা ট্রান্সফর তৌবগী মতাংদা ইজরেলগী মায়কৈদগী চিংনবা খরা উৎখিবদগী মিসাইল সিষ্টেম অদু লৈবগী প্রপোজলদা খুরৌ খরা লাকখি।

টেহরাননা সাউথ অফ্রিকাদগী পলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিং রিক্রুট তৌরে : ইজরেল

জেরুসালেম, জানুৱারি ০৩ :
সাউথ অফ্রিকাদা লৈরগা থবক তৌবা ইরানিয়ন ইন্টেলিজেন্স ওফিসরশিংনা রিক্রুট তৌবা অমসুং পানবা পলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট সেল অমা থেংনরে হায়না ইজরেলনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্রুবশিংগী মনুংদগী অমনি হায়না লৌবা গজা ষ্ট্রিপ অমসুং লেবাননদা বেজ ওইবা ইস্লামিষ্ট গুরিলাশিংবু শৌগৎপা ইরানগা মতম শাংনা প্রোক্সি লান অমা শোক্নদুনা লাকখি। থেংখাং কয়াদা ইজরেলনা ইরানিয়ন ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চথবা লৈখ্রে।

ইজরেলগী সিন ভেট সিক্যুরিটি এজেন্সিনা হায়, ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতগী পলিষ্টিনিয়ন অহুম স্পায়িং তৌবা, টেরিরিজমগী মরালশিংদা ফাখি। মখোয় মশানা সুইসাইদ বোমিং চথনবা শেম-শাবা য়াওনা ইরাননা শিন্নবা মিসন কয়াদা থবক তৌখি হায়না ফোঙদোকচখি।

সিন ভেটকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, সসপেক্টশিংদুগী কন্টেক্ট অদু সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা পলিষ্টিনিয়ন অমনি। মহাক ইরানিয়ন ইন্টেলিজেন্সনা রিক্রুট তৌখিবনি। সাউথ অফ্রিকান গভর্নমেন্টনা ইরানগী থবক থৌরমশিং নৎত্রগা পলিষ্টিনিয়ন নুপা অদুগী চপ চাবা লৈফমগী মতাংদদি ষ্টেটমেন্ট অদুনা পনখিদে।

প্রো-পলিষ্টিনিয়ন সেন্টিমেন্ট কনবা সাউথ অফ্রিকাগা ইজরেলগা মরী ফন্না লৈতে। সিন ভেটকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ইরানিয়ন ওফিসর কয়া ওপরেসন অদুগীদমক্তা টেহরানদগী মফম অদুদা চৎখি হায়না পনখি।

ইজরেলগী ৱাফমদুগী মতাংদা সাউথ অফ্রিকাগী ফোরন মিনিষ্ট্রি অমসুং হোম এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি অমসুং প্রিটোরিয়াদা লৈবা ইরানিয়ন এম্বেসিনা খুদক্কী ওইনা পাউখুম পীরকখিদে।

সিন ভেটনা পলিষ্টিনিয়ন সেলদুগা মরী লৈননা করম্বা মতমদা মীফা-মীপুন তৌখি নৎত্রগা সসপেক্টশিংদু করম্বা মতমদা ৱায়েল চথগদগে হায়বগী মতাংদা পনখিদে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইরাননা য়ৈথাই থিনগায়বা থোকহনবা অমসুং টেররিষ্টকী থৌওংদা ওপরেট তৌই হায়বসি কেস অদুনা উৎলে। টেহরাননা হামাস অমসুং হেজবুলাগুম্বা টেরর গ্রুপশিং অমসুং ইস্লামিক জিহাদতা মতেং পাংবদা নত্তনা ষ্টেট ওফ ইজরেল মনুংদা মসিগী সিটিজনশিংগী মায়োক্তা টেরর এক্টিভিটিশিংসু ওর্গনাইজ তৌনবা হোৎনৈ।

কেস অদুগী মতাংদা ইজরেল রেদিওনা ইন্টরভিয়ু তৌখিবা সিন ভেটকী ভেটরন অমনা সাউথ অফ্রিকাগী লিঙ্ক অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিগী ইর্দোগননা ইরানগী হশন রৌহানি থাগৎখ্রে

অঙ্কারা, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ইরানদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্না গভর্ন-মেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরক-খিবগী পাউখুম ওইনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা ফোঙ-দোকখিবা ৱাফমবু মতিক চাই অমসুং লমদম অদুদা টেহরানবু শৌগৎপা ফোঙদোকপা অহানবা লৈবাক অমা ওইনা ইরাননা মরা চেংনা লৈবগী ফিভম অঙ্কারানা শৌগৎলি হায়না টর্কিনা ঙসি হায়খ্রে।

টর্কিশ প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগনগী ওফিসকী ছোর্স অমনা হায়খি, রৌহানিগা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা ইর্দোগননা ইরানগী চয়োল ফারক্লবা ঈরাংগী মতাংদা খন্নখি। ৱারী শানবদুদা ইরানগী প্রসিদেন্ট রৌহানিনা ইর্দোগনদা প্রোটেষ্টশিং অদু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোইরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

অঙ্কারা অমসুং টেহরানগী মরী ফগৎলকখিবগা লোয়ননা ইর্দোগনগী মায়কৈদগী মীনুংশি উৎপা কম্মেন্ট-শিংদু ফোঙদোকখিবনি। চহী কয়া নাকল অনীনা সিরিয়াগী ঈরাংদা য়েংথীনবা সাইদশিং শৌগৎনদুনা লাক্লবসু হন্দক থা খরসিদা লৈবাক অনীনা হাৎন-শুনবগী ঈরাংদু নেমথহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নখি।

রৌহানিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অমদা ইরানিয়নশিংগী ওথোরিটিশিং ক্রিটিসাইজ তৌবা অমসুং প্রোটেষ্ট তৌবগী হক লৈ তৌইগুম্বসুং মখোয়না মীশি-মীনাগী ঈরাং নৎত্রগা পব্লিক প্রোপর্টিদা অমাঙ-অতা থোক-হল্লোইদবনি হায়খি।

ইর্দোগননা রৌহানিদা মীয়াম্না মখোয়গী ইং-চিক্কা প্রোটেষ্ট তৌবগী হক শীজিন্ননবা হোৎনবদা লৈবাক্কী লো খোঙ্গাওনরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখিবদু য়াম্না চুমই অমসুং মতিক চাই হায়না মহাক্না খল্লি হায়খি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইরানগী সিটি কয়াদা চৎখিবা প্রো-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মীওই লীশিং কয়ানা শরুক য়াখি। মখোয়না ইরানগী ফিরালশিং হাইখি অমসুং সুপ্রীম লীদর অয়াতোলা অলি খামেনৈগী পিকচরশিং পুখি।

অঙ্কারাগা টেহরানগী মরুওইবা ইন্টরনেসনল ওপোনেন্টশিং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইজরেল অমসুং সাউদি অরাবিয়াগা লৈনবা মরীশিং শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহীদা টর্কি অমসুং ইরানগী মরী হেন্না পাকথোক-চাওথোরকপা উখি।

সুনিশিংনা মশিং য়াম্বা সেক্যুলর ওইবা মুস্লিম লৈবাক টর্কিগা সিয়াইট মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা ইরানগা ঙমখৈ পরিং অমা লোন্নরগা লৈ। মখোয় মিদ্দল ইষ্ট লমদমদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা নন-অরাব লৈবাক অনীনি।

পেরুদা বস ১ ট্রকনা থোম্বদা বিচতা তাশিনবদগী মীওই ৪৮ শিরে

লিমা, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ঙরাং পেরুগী কেপিটেল লিমাগী অৱাংদা লৈবা 'দেভিলস কর্ভ' হায়না খঙনবা হায়রে অমগী অখুবা গোলাই খংথেক-থেকফম শরুক্তা বস অমা ট্রক অমনা থেঙ্গাইবদা অঙম্বা ক্লিফ অমগী মখাদা লৈবা নূং-শেনগী বিচ অমদা তাশিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮ শিখ্রে হায়রি।

পেরুভিয়ন পুলিস অমসুং ফায়র ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা য়ৌরমদাইদা মীওই ৫৭ তোংবা বস অদু পেরুগী কেপিটেল লিমা তম্না চৎপদা ট্রক অমনা থেংজিনখি অমসুং চপ য়ুংনা ঙম্বা ক্লিফতগী মখাদা ওন্থখি হায়না পেরুগী ভোলন্টরি ফায়রফাইটর বৃগেদকী ক্লাউদিয়া এস্পিনোজানা ফোঙদোকখি।

হিগোক মচুগী বস অদু পেসিফিক্তা তাইনবা ঈশিং মপানগী শরুক্তা মথঙ্গা ওল্লগা তাশিনখি অমসুং পেসেঞ্জর-শিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং নূং মরক্তা চাইখি। অসিগুম্বা মওংদা অচৌবা এক্সিদেন্ট অমা লৈবাক অসিদা থোকপসিদা ঐখোয়দা অদুক্কী মতিক অৱাবা পোকই হায়না পেরুভিয়ন প্রসিদেন্ট পেদ্রো পব্লো কুকজিনস্কিনা হায়খি।

লিমাগী অৱাংদা কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা পাসামায়োদা লৈবা য়ৌশিনবদা ৱারবা মফমদুদগী হিংহৌবা মীওইশিং কনবা অমসুং অশিবশিং লৌখৎনবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ৱানা হোৎনখি। বিচতুদা হকথেংননা য়ৌশিনবা লম্বী লৈতবনা মী কনবগী থবক হেন্না লুশিনখি হায়না এস্পিনোজানা ফোঙদোকখি। পুলিস অমসুং ফায়রফাইটরশিংনা হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নদুনা ফিভম থীনা শোক্লবা হিংহৌবা মীওই ৬ মনাক নকপা হোস্পিটালশিংদা হোনখি। পুলিস কর্নেল দিনো ইস্কুদিরোগী মতুং ইন্না, মীওই ৪৮ শিবদা কনফার্ম তৌরে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই অহুম থিবা খঙদ্রি।

ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্টর ব্রুনো গিয়ুফ্রনা হায়খি, এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা মতমদা ভেহিকল অনীমক য়াঙনা থৌরকখি। এ পিনা বস অদুবু মেনেজ তৌরিবা কম্পেনিদা কোল তৌবদা খুদক্কী ওইনা পাউখুম পীরকখিদে।

রেস্ক্যু ওপরেসনশিং নুমিদাং থেংজিল্লকখিবগা লোয়ননা সসপেক্ট অমা ভিক্টিমশিংগী মশাদা য়াওবা শেল অমসুং অতৈ পোৎশক কয়া লৌনবা হোৎনরম্বগী মরালদা ফারে হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখি। পেরুগী হায়ৱেশিংদা ট্রাফিক এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোকই। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা লৈবাক অদুদা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ২,৮০০ হেন্না শিখি।

টেররিজম থিংনবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা হায়খ্রে

ৱাশিংটন, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
টেররিজম থেংনবগী মতাংদা মমায় অনী লোঙনা থবক তৌই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙরাং পাকিস্তানবু মরাল শীখ্রে অমসুং য়ু এসকী মতেং পাম্নবদি ইস্লামাবাদনা অহেনবা থবক খরা তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

মখোয়না টেররিজম থিংনবা অহেনবা থবক খরা তৌবা ঙমই। ঐখোয়নসু মদু তৌহনবা পামই হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপর্সন সারাহ সেন্দর্সনা পাউমীশিংদা হায়খি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা ৱাশিংটননা পাকিস্তানদা পীগদবা দোলর মিলিয়ন ২৫৫ গী তেংবাং ফাজিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদবীদা হ্বাইট হাউসনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পাকিস্তানদা প্রেসর পীবগী এক্সন খরা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাকিস্তাননা টেররিজম থেংনবগী মতাংদা চহী কয়া মমায় অনী লোঙনা থবক তৌরকখি। মখোয়না অসুম্না তৌখিবগী তশেং-তশেংবা ইভিদেন্স কয়ামুক লৈ। মখোয়না করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়গা পূন্না থবক তৌমিন্নৈ অমসুং মখোয়না অমরোমদা অফঘানিষ্টানদা লৈবা ঐখোয়গী ট্রুপশিংদা এটেক তৌবা টেররিষ্টশিংদা চঙজফম পী হায়না হেলিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

'অদুগুম্বা গেম এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা য়ারোই। টেররিজম থেংনবদা ঐখোয়না পাকিস্তানগী মায়কৈদগী অহেনবা কোওপরেসন পামই।'

'পাকিস্তাননা মখা তানা টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীবা অমসুং শৌগৎপগী ফিভম অসিদা প্রসিদেন্টনা পাকিস্তানগী ফন্দিং খূদিংমক লেপহন্নবা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎপা পামই।'

নিক্কি হেলিনা কম্মেন্টশিং অসি প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাকিস্তানগী থৌওংগী মতাংদা খোইরাং খোইশাওবা উৎপা ট্বীট অমা থাগৎখিবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি। ট্রম্পনা মহাক্কী ট্বীট অদুদা হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা পাকিস্তানদা তেংবাং ওইনা দোলর বিলিয়ন ৩৩ হেন্না পীখিবগী পাউখুম ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা 'মীনম্বা অমসুং নমথাক' নত্তনা অতৈ মনা ফংখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না অফঘানিষ্টানদা কোইতান তানরিবা টেররিষ্টশিংবু মখোয়না ইকোম-কোম্না চঙজফম পী হায়না ট্রম্পনা ত্বিটরদা ইখি।

গজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলি এয়রক্রাফটনা রেইদ চথখ্রে

গজা, জানুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ইজরেলি ৱারপ্লেনশিংনা ঙরাং গজা ষ্ট্রিপতা রেইদ অমা চথখ্রে, তৌইগুম্বসুং অশোক-অপনদি থোকখিদে হায়না পলিষ্টিনিয়ন ছোর্সশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলি এয়রক্রাফটনা গজা ষ্ট্রিপকী খারোমদা লৈবা খান য়ৌনিস গভর্নরেটকী মনুং চনবা 'মরিন সাইট' তা রোকেট কয়া কাপশিনখি। মফমদু হমাস মুভমেন্টকী খূৎলায় পায়বা ৱিং ওইরিবা অল-কসম বৃগেদসনা কন্ট্রোল তৌই হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

টার্গেট তৌখিবা এরিয়া অদুদা অশোক-অপন নৎত্রগা লন-থুম মাঙ-তাকপনচিংবদি থোকখিদে হায়না ছোর্সশিংদুনা ফোঙদোকখি।

ইজরেলি আর্মিগী মতুং ইন্না, হৌখিবা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা গজাদগী রোকেট অমা কাপ্পকখিবগী পাউখুম ওইনা ৱারপ্লেনশিংদুনা হমাসকী মিলিটরি কম্পাউন্দ অমদা রেইদ অমা চথখি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নৎত্রগা অমাঙ-অতা অমত্তা থোকখিদে।

চৈরকসিদা আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা গজা ষ্ট্রিপতা হৌজিক থোক্লিবা খূদিংমক হমাসতা তাইনফম থোকই হায়খ্রে। পলিষ্টিনিয়ন ফেক্সন অমত্তনা থৌদোক্তু মখোয়গী খূৎনি হায়না ক্লেম তৌবা লৈত্রি হায়রি।

পনবা য়াই, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ডিসেম্বরদা জেরুসালেম্বু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙলগনি অমসুং য়ু এসকী এম্বেসিসু সিটি অদুদা হোংজিল্লগনি হায়না লাউথোকখিবদগী পলিষ্টিনিয়ন টেরিটরিশিংদা ঈরাং কনখৎলকখি।

[illegible]/অৱাবা ফোঙদোকচবা

চৈচৎ ০৩/০১/২০১৮



কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লুপ, নম্বোলগী থৌমী ওইরিবম্বা **থৌনাওজম জয়ন্তা লুৱাং**, নম্বোল কোংখাম অৱাং লৈকাইদা লৈবিরম্বনা হৌখিবা চৈচৎ ০২/০১/২০১৮ কুমজা ৱাকচিংগী ১৫/১৬ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লুপ, নম্বোলনা থম্মোয় শোক্না মীনিট অনি অৱাবা ফোঙদোকচরি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেম্না ইংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক্তা অমদি তুংদা মপোক লাংওন তন্নকপদা পুন্সিবা নুংশাংবা ওইহনবিনবগীদমক মপুগী ঙাংলৌ খাদা লুপনা পুনেমজরি লোয়ননা ইমুংগী অৱাবদা লুপনা শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা : এন. লুখোই খাঙানবা, সেক্রেটরি জেনরেল
কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লুপ, (কে-লুপ) নম্বোল।

HL-P/322/4

[illegible]/CONDOLENCE

হৌখিবা চহী ৮/১০/২০০৭ তগী **The Kongkham Awang Youth & Co-Adjutant Club** কী থৌ পুবীদুনা লাকখিবা **থৌনাওজম জয়ন্তা লুৱাং**-না হৌখিবা চৈচৎ ২/১/২০১৮, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ২:৩০ তাবা মতমদা মপুগী খুয়াদা চঙজখ্রে। লৈখিদ্রবা অসিগীদমক্তা ক্লবনা অথুবা মীফম অমা পাঙথোকখি। লোয়ননা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা ক্লবকী মেম্বরশিংনসু লৈখিদ্রবগী অৱাবা শরুক য়াজরি। অরোয়বদা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাংগী লৈনম ওইনা তিল্লুরসনু হায়না মপুগী খুয়াদা থৌনিজরি।

Sd/- **N. Lalmani,** ***President***
The Kongkham Awang Youth & Co-Adjutant Club

HL-P/322/4

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

Ref:- Mut. Case No. 2/SDC/IW/LC of 2018

Maibam Arunkumar S/o (L) Shyamkeshor of Singjamei Makha Naorem Leikai.

...... Petitioner

-Vrs-

Late, Maibam Shyamkeshor Singh S/o (L) Amuba Singh of Naorem Leikai.

...... O.P.

[illegible]/NOTICE

Lilong Chajing, the 3rd Jan., 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাইগী অরিবা পাট্টা নং ২০৪ অনৌবা পাট্টা নং ১৫৭ দাগ নং ৪৫, ৪৪/৪৬০ এরিয়া মথংশিংনা ০.২১ একর অমসুং ০.০৪০০০ একর চাওবা ইঙ্খোলশিং অসিগী পাট্টাদার মাইবম শ্যামকেশ্বর সিংহ পীং মৃ: অমুবা সিংহ সাং নাওরেম লৈকায় অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোলশিং অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোলশিং অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা লাকপীদুনা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/327/4

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1089/SDC/IW(P) of 2017

Shri Sadokpam Tomba Meitei S/o Late S. Leibakmacha Singh of Sagolband Sadokpam Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

Late Shri Sadokpam Leibakmacha Singh S/o Late Thonglen Singh of Khamnam Leirak Sadokpam Leikai.

-O.P. Party

[illegible]/NOTICE

29/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবগী পাট্টা নম্বর ৩৮৬, ৪২১, ৯০, ৩৭৫ অরিবা, ৩৬৮/৭৪০ অনৌবগী দাগ নম্বর ২০৫ গী পোইন্ট ০.৬৭ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী কো: পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১১/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/329/4

[illegible]

থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাবীয়ু কান্নগনি

পাইলসনা প্রোব্লেম ওইরগা চহী ১২ অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। মণিপুরগী মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা পৈশাতা তিংখি, অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গৈই ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী অৱাং (পাঙল লৈরক) দা লৈবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** মোবাইল নম্বর **8014623756** কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, শৌজদা চিকপা শাবা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবা, শৌজ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চানিংবা পোক্তবা পুম্নমক কোক্লে। মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা : ***Th. Iboton***
Kakching Khunou Awang

HL-P/4831/4